# গোপালকৃষ্ণ শৌগৎলকপগীদমক সোনিয়া, রাহুলনা নিটিশপু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে





ন্যু দিল্লি, জুলাই ১২ (এজেন্সী) : ওপোজিসন পার্টি ১৮ না গোপালকৃষ্ণ গান্ধীবু ভাইস প্রসিদেন্টকী মীরেপ ওইনা থাগৎনবা ৱারেপ লৌখ্রবা মতুংদা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীনা বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিটিশ কুমারদা টেলিফোন তৌদুনা ওপোজিসনগী মীরেপ্তা শৌগৎলকপ-গীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

জনতা দল য়ুনাইটেদ (জে দি য়ু)গী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা নিটিশ কুমারদা কোংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা টেলিফোন তৌরকপা লৈখ্রবনি।

নিটিশ কুমারনা ওপোজিসনদগী লাপথোক্লা লৈখ্রগা এন দি এগী প্রসিদেন্ট মীরেপ রাম নাথ কোবিন্দদা শৌগৎখিবগী মতাংদা কোংগ্রেস অমদি জে দি য়ুনা ৱাহৈগী লান শোক্লরকখ্রবা মতুংদা রাহুল গান্ধীনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা নাকল অনী য়াশিন্নবা পুরকখ্রবনি।

ওগষ্ট ৫ দা ভাইস প্রসিদেন্ট খনবগী মীখল পাঙথোক্লগা নুমিৎ অদুমক্তদা মশীং থীগনি।

অমরোমদা, বি জে পি বিহার য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট নিতিয়াচান্দ রাইনা হায়খ্রে মদুদি, বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিটিশ কুমারনা করিগুম্বা আর জে দিদগী লাপথোরকপা তারবদি বি জে পিনা নিটিশ কুমারদা মপুং ফানা শৌগৎকনি। অথুবা মতমদা নিটিশ কুমারনা মশাগী ফিরেপ অমা লৌবগা লোয়ননা তেজাস্বি যাদবপু বিহারগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ফমদগী লৌথোক্কদবনি হায়নসু রাইনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, নিটিশনা গ্রান্দ এল্লাইন্সতগী হেক তোল্লকপা মীৎকুপ্তা বি জে পিনা মহাকপু মপুং ফানা শৌগৎনবা থৌরাং তৌদুনা লৈরি।

অমরোমদা, ওপোজিসন পার্টি-শিংনা পূল্লগা গোপালকৃষ্ণ গান্ধীবু ভাইস প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা মায় পাকহন্নবা থৌরাং লৌখৎলি। হীরম অসিগা মরী লৈননা ওপোজিসন লীদরশিংনা রিজনেল অমদি ষ্টেট থাক্কী পোলিটিকেল পার্টিশিংগা পাউ ফাওনবা হোৎনরি।

ওপোজিসন পার্টিশিংনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী গভর্ণর ওইরম্বা গোপালকৃষ্ণ গান্ধীবু ভাইস প্রসিদেন্টকী মীরেপ ওইহন্নবা ফিরেপ লৌখিবনি।

কুমজা ১৯৪৫ গী এপ্রিল ২২ দা দেবদাস গান্ধী অমসুং লক্ষ্মীগী মচা ওইনা তাইবংদা খোঙদারকখিবা গোপালকৃষ্ণ গান্ধীনা কুমজা ১৯৬৮ দগী কুমজা ১৯৯২ ফাওবা আই এ এস ওফিসর ওইনা থবক তৌরম্মী। মহাক মমিং লৈরবা অইবা রাজমোহন গান্ধীগী মনাওনুপানি। কুমজা ১৯৮৫ দগী কুমজা ১৯৮৭ ফাওবা মহাক ভাইস প্রসিদেন্টকী সেক্রেটরি ওইরম্মী। কুমজা ১৯৮৭ তগী কুমজা ১৯৯২ ফাওবনা প্রসিদেন্টকী সেক্রেটরি ওইরম্মী।

গোপালকৃষ্ণ গান্ধীনা লেসোথোদা ইন্দিয়াগী হায় কম্মিস্নর ওইনা মথৌ তৌরম্মী। মহাক লেসোথোদা ইন্দিয়াগী হায় কম্মিস্নর ওইনসু থৌ পুরম্মী। কুমজা ২০০০ দা গোপালকৃষ্ণ গান্ধীবু নোরৱেদা এম্বেসেদর ওইনা থাখি। মদুগী মথংদা মহাক্না আইসলেন্দদা এম্বেসেদর ওইরম্মী। কুমজা ২০০৪ দা গান্ধীবু ৱেষ্ট বেঙ্গলগী গভর্ণর ওইনা হাপখিবগা লোয়ননা চহী ৫ ফম অসি পায়খি।

বিক্রম সেথনা ইবা মমিং লৈরবা লাইরিক 'বিক্রমা সেথ'বু ট্রান্সলেট তৌখিবা গোপালকৃষ্ণনা 'এ সুইটেবল বোই' কৌবা লাইরিক অমা ইখি। কুমজা ২০১২ দা মমতা বেনর্জীনা মহাকপু ভাইস প্রসিদেন্টকী মীরেপ ওইনবা হায়জরকপদা মহাক্না অয়াবা পীখিদে।

জনতা দল য়ুনাইটেদনা মহাত্মা গান্ধীগী মশুনুপাবু লৈবাক্কী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকখি। হীরম অসিগী মতাংদা মোত মান্নরক্তবদগী জে দি (য়ু) অমদি অতৈ ওপোজিসন পার্টিশিং নাকপাক তানবগী ফীভমদা লাকখিবনি।

কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধী, হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহ, টি এম সীগী দেরেক ওবরেন, সী পি আই (এম)গী সিতারাম য়েচুরি, নেসনল কনফরেন্সগী ওমার অব্দুলাহ, সমাজৱাদি পার্টিগী নরেশ অগরৱাল অমসুং বহুজন সমাজ পার্টিগী সটিশ চন্দ্র মিশ্রা য়াওনা পাঙথোকখিবা মীফম অমনা ভাইস প্রসিদেন্ট মীরেপকী মতাংদা য়ানবা পুরকখিবনি।

# ফোরেন সেক্রেটরি জয়শঙ্করগী ৱাফম চাইনানা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুলাই ১২ (এজেন্সী) : সিক্কিম সেক্টরদা থোরক্লিবা ঙমখৈগী ৱাথোক লোইশিনহন্নবগী মতাংদা ইন্দিয়ানা দোক্লামদগী লান্মী লৌথোকপা মথৌ তাই হায়না চাইনানা অমুক্কা হন্না ফোঙদোকখ্রে।

মমাঙদা ইন্দিয়া অমদি চাইনানা ঙমখৈগী মতাংদা উংখৎনবা কয়া য়াশিন্নবা পুরকখি হায়না ফোরেন সেক্রেটরি এস জয়শঙ্করনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমবু বৈজিংনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপার্সন গেং সুৱাংনা হায়খি, ইন্দিয়াগী লান্মীশিংনা হন্দক দোক্লামদা লোন্না চঙশিল্লকপগী থৌওং অসিগা মমাঙদা য়ূম্লোন্নবা লৈবাক অনী উংখৎনখিবগী থৌদোক্কা খেন্নবা কয়া লৈ। দোক্লামগী মতাংদদি নাকল অনীমক্না ক্লেম তৌনরিবা লম ওইবনা মীৎকুপ অমদা হেক্তা থোকহন্নীংদবা থৌদোক থোক্লকপা য়াবগী ফীভমদা লৈ।

সিঙ্গাপোরগী লি কুৱান য়ু স্কুল ওফ পব্লিক পোলিসিদা ৱা ঙাঙখিবদা জয়শঙ্করনা হায়খিবনি মদুদি, মোত মান্নদবনা মরম ওইরগা য়ূম্লোন্নবা লৈবাক অনী য়েৎনবা অমসুং নুংশি-নদবগী থৌদোক থোকহনবা চুমদে।

ৱাফম অসিগী মতাংদা গেং সুৱাংনা হায়খি, অরানবা মওংদা ইন্দিয়াগী ঙমখৈ ঙাক্লিবা লান্মীশিংনা ঙমখৈ লানশিল্লকপগী মতাংদা চাইনানা ন্যু দিল্লিদা কয়ারক হন্না খঙহনবা লৈখ্রে।

য়ূম্লোন্নবা লৈবাক অনীগী মরক্তা ময়েক শেংনা খারিবা ঙমখৈদা ইন্দিয়ানা হঞ্জিন-হঞ্জিন লান্মী থাজিল্লক্তুনা খৎনবা হৌবগী থৌওং অসিনা এসিয়া খক্তদা নৎতনা মালেমদা অচৌবা ৱাথোক অমা ওইহল্লকপা য়াই।

কুমজা ১৮৯০ গী কন্ভেন্সন মতুংইন্না সিক্কিম সেক্সনবু চাইনা অমদি ইন্দিয়ানা রিকগ্নাইজ তৌবা লৈখ্রবনি। মরম অদুনা অথুবা মতমদা দোক্লামদগী ইন্দিয়ন লান্মীশিং লৌথোক্তুনা ঙমখৈদা থোক্লিবা ৱাথোক লোইশিনহন্নবা হোৎনগদবনি হায়না চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেননা মখা তানা ফোঙদোকখি।

য়েৎনরিবা দোক্লাম এরিয়াদা ইন্দিয়ন আর্মিনা মতম শাংনা লৈথবগী ফীভমদা লৈরি। হন্দক্তা মফম অসিদা থাজিনখিবা ইন্দিয়াগী লান্মীশিং টেন্ট খনগৎতুনা মতম শাংনা লৈনবগীদমক শেম-শাবা হৌরে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

চাইনাগী পিপলস লিবরেসন আর্মি (পি এল এ)না মফম অসি থাদোক্তুনা চৎত্রিবা ফাওবা ইন্দিয়ন আর্মিসু মখা তানা লৈখিগদৌরি। মফম অদুদা মথৌ তৌরিবা ইন্দিয়ন আর্মিদা চান-থক্লবা পোৎলম চাং নাইনা য়ৌহনবা ঙম্নবা থৌরাং লৌখৎপা হৌখ্রবনি।

অমরোমদা, চাইনানা দোক্লামগী মতাংদা খোঙফম অমত্তা হন্দোক্লোইহায়না ফোঙদোরকখি। অদুমওইনমক কুমজা ২০১২ দা য়ানখিবা ৱাফম অমগী মতুংইন্না য়ূমলোন্নবা লৈবাক অনীনা হীরম অসিগী মতাংদা ৱারোইশিন পুরক্কদবনি হায়না চাইনানা ফোঙদোক্তুনা লাকখি।

হন্দক্তা সিক্কিমদা ইন্দিয়ানা অহেনবা লান্মী কয়ামরুম থাজিনখ্রবা মতুংদা চাইনানা নাকল অনীগী মরক্তা মুক্লবগী চাং হন্থহন্নবগী পান্দমদা লান্মী লৌথোক্লবা ফিরেপ লৌরুরবনি।

থা অমরোম চুপ্পা ঙমখৈদা ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগী লান্মীশিং মুক্লদুনা লাকখ্রবা মতুংদা অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎলকখিবনি। য়েৎনরিবা দোক্লাম এরিয়াদা বৈজিংনা লম্বী শেমজিল্লক-খিবগা লোয়ননা ইন্দিয়ন আর্মিগী বঙ্কর থুগায়খ্রবা মতুংদা ন্যু দিল্লিনা অহেনবা লান্মী কয়ামরুম থাজিনখিবদগী নাকল অনী উংখৎনরকখিবনি। জুন ১ দা চাইনাগী পি এল এনা দোক্লামদা লৈবা ইন্দিয়ন আর্মিগী বঙ্কর অনী শীদোক্লবা খঙহনখি। শাংলবা চহী কয়ামরুম মফম অদুবু ঙাক শেন্দুনা লাকখিবা ইন্দিয়ন আর্মিনা চাইনাগী ৱাফম অদু অয়াবা পীখিদে।

# টেক্সকী চাং খঙনবা জি এস টি রেট এপ্ লোঞ্চ তৌরগনি

ন্যু দিল্লি, জুলাই ১২ (এজেন্সী) : এনদ্রোইদ প্লেটফোর্মদা ফংলবা মোবাইল এপ্ 'জি এস টি রেটস ফাইন্দর' অথুবা মতমদা আই ও এস প্লেটফোর্মদসু ফংহল্লগনি হায়না ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

কনাগুম্বা মীওই অমনা পোৎ অমা লৈবা মতমদা লৌহৌবা টেক্সকী চাং অদু চুম্মী নৎত্রগা লাল্লি হায়বা লায়না খঙবা ঙম্নবগী পান্দমদা অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি।

ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, নৌনা লোঞ্চ তৌগদৌরিবা এপ্ অসিগী মতেংনা থবক থৌরম পুন্নমক মনুং-মপান ফাওনা উবা ফংহনবগা লোয়ননা ইন্দিয়ন খুদিংমক্তা মতিক-ময়াই হাপকৎলগনি।

'জি এস টি রেট ফাইন্দর' ইন্সটোল তৌনবগীদমক এনদ্রোইদ মোবাইল শীজিন্নবা মীওই অমনা গূগল প্লে ষ্টোর হাংদোক্লগা সর্চ ওপসনদা জি এস টি রেট ফাইন্দর হায়না নমগদবনি। মমিং মান্নবা অতৈ অতোপ্পা এপ্ কয়া থোরকপা য়াই। অদুবু সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ এক্সাইজ এন্দ কষ্টমস (সী বি ঈ সী)গী লোগো য়াওবা এপ্ খক্তমক দাউনলোদ তৌগদবনি। হায়রিবা এপ্ অসি ওফ-লাইন মোদতসু ওপরেট তৌই হায়রি।

মোবাইল এপ্‌কী আইকোনদা ক্লিক তৌবা মতমদা হোম স্ক্রন থোরক্কনি। স্ক্রনদা থোরকপা ক্বিক সর্চতা য়ুজরশিংনা অপাম্বা গুদস নৎত্রগা সার্ভিসকী মমিং হাপ্লগা চপ চাবা টেক্সকী চাং খঙবা ঙমগনি হায়রি। খুদম ওইনা হায়রবদা কনাগুম্বা মীওই অমনা টেক্সিগা মরী লৈনবা সার্ভিসকী টেক্স খঙনিংবা তারবদি ক্বিক সর্চতা টেক্সি হায়বা ৱাহৈ টাইপ তৌগদবনি। মদুদা টেক্সি হায়রিবা ৱাহৈ অসি য়াওবা গুদস অমদি সার্ভিস কয়াগী লিষ্ট থোরক্কনি। য়ুজর অমনা খঙনিংলিবা কেটগরিদা ক্লিক তৌরগা অপাম্বা পুন্নমক অরাইবা মওংদা খঙবা ঙমগনি হায়রি।

হীরম অসিগী মতাংদা কনাগুম্বনা চমম্নবা পোক্লবদি সী বি ঈ সীগী ৱেবসাইটতা চঙলগা জি এস টিগী পেজ হাংদোক্তুনা অপাম্বা খুদিংমক খঙবা য়াগনি হায়না ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্টনা ফোঙদোকখি।

গুদস এন্দ সার্ভিসেস টেক্স (জি এস টি)না ষ্টেটশিংগী রেভিন্যু চাদা ২৫ রোম হেনগৎহনবগা লোয়ননা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা কম্পেন্সেসন পীবগী মথৌ তাররোই হায়না য়ুনিয়ন ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর নিটিন গদকারিনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

মহাক্না হায়খি, জি এস টি চৎনহনবনা ষ্টেটশিংগী রেভিন্যু হন্থহনবা থোক্লবদি কম্পেন্সেসন পীনবা থৌরাং লৌখৎলি। অদুবু ইন্দাইরেক্ট টেক্স রেজিম অসিনা মরম ওইরগা ষ্টেট পুন্নমক্কী রেভিন্যুগী চাং চাদা ১৫ দগীনা ২৫ ফাওবা হেনগৎহনগদবা লৈবনা কম্পেন্সেসন পীবগী মথৌ তাররোই।

সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী ওইনসু চপ মান্নবা মওংদা রেভিন্যু হেনগৎলগনি হায়না পল্লদুনা গদকারিনা হায়খি, চহীগী বজেট হেনগৎপগা লোয়ননা গ্রোস দোমেষ্টিক প্রদক্ট (জি দি পি) হেনগৎলগনি। মমাঙদা পূকচেল শেংনা টেক্স থীবা মীওই খক্তদা অচৌবা পোৎলুম অমা পীদুনা লাকখি। হৌজিক্তি জি এস টি চৎনরবা মতুংদা টেক্স থীবা মীগী মশীং হেনগৎলক্কদবনা শুপ্পগী মীওই খরখক্তা পীরম্বা পোৎলুম হন্থহল্লগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

নৌনা টেক্স শেমদোকপগী থৌওং অসিনা ব্লেক মনি লাকশিনবা ঙম্লগনি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা অরানবা মওংদা য়াল্লবা শেনফম লোৎশিন্দুনা থম্বা ঙম্লরোই। মদুনা মরম ওইরগা লৈবাক্কী শেন্মীৎ-লোন ফগৎহনবদা মতেং ওইনরগনি।

মহাক্না হায়খি, পেট্রোল অমদি দিজলবু জি এস টিনা কোনশিনবা মরম্না ষ্টেটশিংগী রেভিন্যু হেনগৎলগনি। অদুবু হীরম অসিগী মতাংদা করি করম্বা থৌরাং লৌখৎকদগে হায়বদু ষ্টেট মশা-মশানা লেপহনগনি।

অনৌবা টেক্স রিফোর্ম অসিগী মতাংদা তঙাইফদনা থা ২ ফাওবা অৱাবা খাঙমিন্নসি হায়না মীয়ামদা আপিল তৌরদুনা মিনিষ্টরনা হায়খি, ইন্দাইরেক্ট টেক্স রেজিম চৎনহনবদা অশোয়বা য়াওরল্লবদি মদু পুন্নমক চুমথোক্লবা থৌরাং তৌরে।

অমরোমদা, জি এস টিনা য়ূমগী মমল হোঙথহল্লগনি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর এম ভেনকায়া নাইদুনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

মহাক্না হায়খি, হৌজিক্তি কনাগুম্বা মীওই অমত্তা টেক্স থীদবা য়াররোই। অরানবা তৌবা মীওই খরখক নৎত্রনা লৈবাক অসিগী মীপুম খুদিংমক্না জি এস টিবু তরাম্না ওক্লগনি।

# অমরনাথ পিলগ্রিম তরেৎ হাৎখ্রবা জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ১২ (এজেন্সী) : মিলিটেন্টশিংনা অমরনাথ পিলগ্রিম তরেৎ হাৎখ্রবা মতুংদা আর্মিনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী মফম শীনবা থুংনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে হায়না হোম মিনিষ্ট্রিনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।



অমরনাথ পিলগ্রিমশিং তোংবা বস অমদা এটেক চথখিবা টেররিষ্টশিং লমজিংখিবা লাস্কর-ঈ-তোইবা (এল ঈ টি)গী লুচিংবা মহমদ অবু ইস্মেল ফানবা থৌরাং লৌখৎলে হায়নসু মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর'স ওফিসতা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ওইনা লৈবা জিতেন্দ্র সিংহ অমসুং য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম এফেয়র্স হন্সরাজ অহিরনা লুচিংবা সেন্ট্রেল মিনিষ্টরশিংগী টিম অমনা কাশ্মীরদা চৎতুনা ফীভম য়েংশিনখ্রবা মতুংদা এম ঐচ এনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা খঙহনখিবনি।

এম ঐচ এগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, মিলিটেন্টশিংনা এটেক চথদুনা পিলগ্রিম তরেৎ হাৎখিবগী লাইবক থীবা থৌওং অদুনা মরম ওইরগা ষ্টেটকী মফম শীনবা থুংনা অকনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎহনখিবনি।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা কাশ্মীরগী অনন্তনাগ দিষ্ট্রিক্টতা খূৎলায় মতিক চানা পায়বা টেররিষ্টশিংনা বস অমদা এটেক চথরকপদা নুপী তরুক য়াওনা অমরনাথ পিলগ্রিম তরেৎ শিখি অমসুং অতোপ্পা ১৯ অশোক-অপন নংখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহগী পাউতাক মতুংইন্না লোকেল আর্মি কম্মান্দর, ষ্টেটকী চীফ সেক্রেটরি, পুলিস চীফ, সী আর পি এফকী দি জি, বি এস এফকী সিনিয়র ওফিসরশিং অমসুং অতৈ সিক্যুরিটি এজেন্সীশিং য়াওবা মীফম অমা পাঙথোকখি।

মীফম অদুনা কাশ্মীর তম্পাক্তা সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগা লোয়ননা অমরনাথ পিলগ্রিমশিংদা এটেক চথরকখিবা মিলিটেন্ট পুন্নমক ফানবা থৌরাং লৌখৎখিবনি।

অমরনাথ যাত্রাদা টেররিষ্টশিংনা এটেক চথরকখ্রবা মতুংদা দিল্লি পুলিসনা কনৱর যাত্রাগীদমক অখন্নবা সিক্যুরি-টিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা লৈখ্রবনি।

দেপ্যুটি কম্মিস্নর ওফ পুলিস পি এস কুশৱানা হায়খি, কনৱর যাত্রাদা শরুক য়াগদবা কনৱারিয়াশিংনা থুংলুগদবা মফম পুন্নমক্তা সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে। গঙ্গা তম্না চৎকদবা খোঙচৎতা খুদোংথীবা থোকহন্দনবগীদমক ক্বিক রেস্পোন্স টিম (ক্যু আর টি) কয়াসু মরুওইবা মফম কয়াদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহনখি।

অমরোমদা, টেররিষ্টশিংনা অমরনাথ যাত্রাদা এটেক চথরকখ্রবা মতুংদা উত্তর প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা ইন্দিয়া অমদি নেপালগী লোন্নবা ঙমখৈদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহনবা লৈখ্রবনি।

হোম দিপার্টমেন্টকী সিনিয়র ওফিসর অমনা হায়খি, ননপারা, মোটিপুর, মার্থ অমদি সুজোলিনচিংবা বোর্দর পুলিস ষ্টেসন খুদিংমক্তা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখিবগা লোয়ননা ষ্টেসন হাউস ওফিসর খুদিংমক মীৎকুপ-নাহুম শিংনা লৈনবা খঙহনখ্রে।

ঙমখৈদা লৈরিবা সুনোলি, নোটনৱা অমসুং রুপাইদিহাদা সসস্ত্রা সিমা বল (এস এস বি)গী পার্সনেলশিং থমদুনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

এস এস বিগী ৫৯শুবা বট্টালিয়ননা বোর্দর চেক পোষ্টশিংদা মথৌ নীংথিনা তৌবগা লোয়ননা নুমিদাংগী মতমদসু পেট্রোল্লিং চৎলি হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

মমাঙদা চীফ মিনিষ্টর যোগী অদিত্যনাথনা দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস সুলখান সিনহা অমদি প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (হোম) অর্বিন্দ কুমারবু সিক্যুরিটিগী থবক থৌরম পুন্নমক হকথেংননা য়েংশিন্নবা খঙহনবা লৈখ্রবনি।

# চহী ৬৫ ফাওবা শাংদোকহনখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ১২ (এজেন্সী) : সী আর পি এফ অমদি বি এস এফকুম্বা সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সেস (সী এ পি এফ)তা থবক তৌরিবা মেদিকেল ওফিসরশিংনা থবক্তগী পোত্থাবগী মতম চহী ৬০ দগী ৬৫ দা শাংদোকহল্লে হায়না ওফিসল ষ্টেটমেন্ট অমনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ময়াই তাংবল লৌদুনা ফমখিবা য়ুনিয়ন কেবিনেটকী মীফম অমনা হীরম অসিগী মতাংদা ৱারেপ লৌখিবনি।

কেবিনেটকী ৱারেপ মতুংইন্না সী এ পি এফ অমদি অসাম রাইফলসতা থবক তৌরিবা জেনরেল দ্যুটি, মেদিকেল ওফিসরশিংনা থবক্তগী পোত্থাবগী মতম চহী ৬৫ ফাওবা শাংদোক্লে হায়রি।

স্পেসিএলিষ্ট মেদিকেল ওফিসরশিংগী ওইনসু চপ মান্নবা মওংদা মশাগী চহী ৬৫ ফাওবা থবক তৌবা য়াহল্লগনি হায়না য়ুনিয়ন কেবিনেটনা ৱারেপ লৌখি।

সেন্ট্রেল পুলিস ফোর্সেসকী মখাদা লৈরিবশিংদি সেন্ট্রেল রিজার্ভ পুলিস ফোর্স, বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স, সেন্ট্রেল ইন্দষ্ট্রিএল সিক্যুরিটি ফোর্স, ইন্দো-টিবেটান বোর্দর পুলিস ফোর্স, নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স, নেসনল সিক্যুরিটি গার্দস অমসুং সসস্ত্রা সিমা বলনি।

# অরুনাচল প্রদেশ, অন্দমান নিকোবরগীদি কোমথোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ১২ (এজেন্সী) : নেসনল অমসুং ষ্টেট হায়ৱেদগী মিটর ৫০০ লাপ্পা মফম ফাওবদা য়ু য়োনবা য়ারোই হায়বা অথিংবা অদু অরুনাচল প্রদেশ অমসুং অন্দমান এন্দ নিকোবর আইলেন্দগী ওইনদি কোমথোকখ্রে।

চীফ জষ্টিশ জে এস খেহরনা লুচিংবা জজ অহুমগী বেঞ্চ অমনা হায়খি, অরুনাচল প্রদেশকী রেভিন্যু চাদা ৫০ রোম য়ুদগী লাকপনি। হায়ৱেদগী মিটর ৫০০ লাপ্পা মফম ফাওবা য়ু য়োনবা য়ারোই হায়বা ৱাফম অসিনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা য়ু য়োনবা দুকান ১০১১গী মনুংদা দুকান ৯১৬ তা অকায়বা থোকহল্লগনি।

অরুনাচল প্রদেশকী মায়কৈদা লেপখিবা উকিলনা সুপ্রিম কোর্টতা হায়খি, ষ্টেট অসিগী অপূনবা লমগী চাদা ৮০ উমংগী শরুকনি। চহী ১ দা ষ্টেট অসিনা খোমগৎলিবা লুপা ক্রোর ৪৪১.৬১ গী মনুংদা লুপা ক্রোর ২১০ দি য়ু য়োনবদগী ফংবনি। মরম অদুনা হায়ৱে মনাক্তা য়ু য়োনবা য়ারোই হায়বা সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল অদু ষ্টেট অসিগীদমক্তদি কোমথোকপীবা মথৌ তাই।

জষ্টিশ দি ৱাই চন্দ্রচুদ অমদি জষ্টিশ এল এম রাওসু য়াওবা বেঞ্চ অদুনা ৱাফম পুন্নমক মুন্না তারবা মতুংদা অরুনাচল প্রদেশকীদমক্তদি নেসনল অমসুং ষ্টেট হায়ৱে মনাক্তা য়ু য়োনবা য়ারোই হায়বা অথিংবা অসি কোমথোক্লে হায়না ফোঙদোকখি। বেঞ্চ অদুনা চপ মান্নবা মওংদা অন্দমান এন্দ নিকোবর আইলেন্দগী মতাংদসু কোমথোক্লে হায়না ফোঙদোকখি।

ADMISSION OPEN FOR B.Sc. Nursing & GNM 2017-18
at Vijayawada A.P.
Offers Govt. Fees specially for Manipur Students

B.Sc Nursing: Fees Rs 26000/- p.a. Hostel Rs 4000/- p.a.
*Eligibility - 10+2 EPCB 45% (Aggregate)*
GNM: Fees Rs 15000/- p.a. Hostel Rs 3600/- p.a.
*Eligibility - 10+2 passed any stream 40%*
Mess Fee : Rs. 1,800/- per month

One of the best Medical College in South India, own hospital having 750 beded inside the campus. (Recognised by INC & affiliated to Dr. NTR University)

B.SC. NURSING ADMISSION OPEN 2017-2018
at Gitam University, Vishakhapatnam

- Tuition fees Rs. 30,000/- (per year)
- Food & Accommodations Rs. 30,000/- (per year)

SPOT ADMISSION

Eligibility Criteria : 10+2, PCB 50%
(only female candidate)

Top Deemed University having own medical college & hospital

EDUCARE ZONE Babupara, Near BOSEM Imphal
# +91 8794026277 & +91 9436009556

HL-P/0679/2to11-13,15,17,19&21

## BOARD OF SECONDARY EDUCATION, MANIPUR

**PROGRAMME**

FOR

**HIGH SCHOOL LEAVING CERTIFICATE COMPARTMENTAL EXAMINATION, 2017**

Time: 3 hours for 80 marks

| DATE/DAY | MORNING From 10 a.m. to 1p.m. |
|---|---|
| 18-07-2017 (TUESDAY) | **First Language**<br>Man(MM), Nepali, Ruangmei, Tangkhul, Bengali. Paite, Thadou-kuki<br>**Subjects in Lieu of First Language**<br>Additional English<br>------------------------------------<br>English, Mathematics, Science, Social Science, Computer Science, Higher Maths, Home Science, Thang-ta, Eshei-nongmai |

**PRIVATE CENTRES**

| Sl. No | Name of Centre & Exam Venue | Clubbed Centres | Roll No. |
|---|---|---|---|
| 1 | Senapati – A<br>Bethany Hr. Sec. School | Maram, Tadubi, Senapati – A, Senapati – B, Purul | 10001 – 11652, 44912, 45139 |
| 2 | Ukhrul – A<br>Ukhrul Hr. Sec. School | Ukhrul – A, Ukhrul – B, Kamjong, Somdal, Phungyar, Kasom Khullen, Chingai | 11724 – 13842, 23770 – 23827 |
| 3 | Tamenglong<br>Tamenglong Hr. Sec. School | Tamenglong, Tamei, Noney, Khoupum, Nungba | 13846 – 15283<br>23882 – 23899<br>38902 – 38917 |
| 4 | Chandel<br>Maha Union High School | Pallel, Chandel, Komlathabi, Moreh | 15340 – 16772<br>38929 |
| 5 | Jiribam<br>Jiribam Hr. Sec. School | Jiribam, Borobekra | 16806 – 17273 |
| 6 | Churachandpur<br>Ebenezer Academy | Churachandpur | 17337 – 20200 |
| 7 | Kangpokpi<br>K.T. Hr. Sec. School | Saikul, Motbung, Saparmeina, Keithelmanbi, Kangpokpi | 21051 – 22680<br>22714 – 23328<br>45084 – 45094 |

*N.B. : Private centres not included in the above clubbed centres are allotted to Imphal Centres.*

**IMPHAL CENTRE**

| Sl. No. | Name of Centre | Subject | Roll Nos. From | Roll Nos. To |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Ramlal Paul Hr. Sec. School, Imphal | Man(MM), Nepali, Addl.English, H.Sc., Comp. Sc., Hr. Maths, Thang-ta, Eshei-Nongmai | | |
| 2 | T.G. Hr. Sec. School, Imphal (A) | Mathematics | 20311 | 35485 |
| 3 | T.G. Hr. Sec. School, Imphal (B) | Mathematics | 35535 | 45136 |
| 4 | Johnstone Hr. Sec. School (A) | Science | 20252 | 32360 |
| 5 | Johnstone Hr. Sec. School (B) | Science | 32366 | 40963 |
| 6 | Ramlal Paul Hr. Sec. School, Imphal | Science | 40982 | 45128 |
| 7 | C.C. Hr. Sec. School (A) | Social Science | 20210 | 27215 |
| 8 | C.C. Hr. Sec. School (B) | Social Science | 27218 | 39297 |
| 9 | Ananda Singh Hr. Sec. School (A) | Social Science | 39298 | 45134 |
| 10 | Ananda Singh Hr. Sec. School (B) | English | 20297 | 43819 |
| | | All Private Candidates are allotted to this Centre. | | |

*Concerned Principals/Headmasters/Headmistresses should collect the admit cards of the candidates from the office of the Board during office hours w.e.f. 13/7/17.*

Sarat

(Dr. Chingangbam Sarat)
Secretary

## BOARD OF SECONDARY EDUCATION, MANIPUR

**PROGRAMME**

FOR

**HIGH SCHOOL LEAVING CERTIFICATE (EXTERNAL) COMPARTMENTAL EXAMINATION, 2017**

Time: 3 hours for 80 marks

| DATE/DAY | MORNING From 10 a.m. to 1p.m. |
|---|---|
| 18-07-2017 (TUESDAY) | **First Language**<br>Man, Man(MM)<br>**Subjects in Lieu of First Language**<br>Additional English<br>------------------------------------<br>English, Mathematics, Social Science |

**PRIVATE CENTRES**

| Sl. No | Name of Centre | Clubbed Centres | Roll No. |
|---|---|---|---|
| 1 | Senapati – A<br>Bethany Hr. Sec. School | Maram, Tadubi, Senapati – A, Senapati – B, Purul | 3 - 28 |
| 2 | Tamenglong<br>Tamenglong Hr. Sec. School | Tamenglong, Tamei, Noney, Khoupum, Nungba | 50 – 53, |
| 3 | Chandel<br>Maha Union High School | Pallel, Chandel, Komlathabi, Moreh | 62 – 75 |
| 4 | Jiribam<br>Jiribam Hr. Sec. School | Jiribam, Borobekra | 83 |
| 5 | Churachandpur<br>Ebenezer Academy | Churachandpur | 106 - 127 |
| 6 | Kangpokpi<br>K.T. Hr. Sec. School | Saikul, Motbung, Saparmeina, Keithelmanbi, Kangpokpi | 155 - 180 |

*N.B. : Private centres not included in the above clubbed centres are allotted to Imphal Centres.*

**IMPHAL CENTRE**

| Sl. No. | Name of Centre | Category | Roll Nos. |
|---|---|---|---|
| 1 | Ananda Singh Hr. Sec. School (B) | External Candidates | 230 - 454 |

*Concerned Principals/Headmasters/Headmistresses should collect the admit cards of the candidates from the office of the Board during office hours w.e.f. 13/7/17.*

Sarat

(Dr. Chingangbam Sarat)
Secretary

HL-B/4005/13